# সেন্টরগী অখন্নবা মীৎয়েঙদি অৱাং-নোংপোক্তা কন্নেক্টিভিটি ফগৎহনবনি ঃ প্রসিদেন্ট কোবিন্দ



***ন্যু দিল্লি, জুন ২০(এজেন্সি)ঃ*** প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি সগোলশেল নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা অৱাং-নোংপোক লমদমদা কন্নেক্টেভিটি ফগৎহনবদা অমসুং লমদম অসিগী মীয়ামগী পুন্সি কোন্না নুংঙাইনা হিংহন্নবা অখন্নবা অহেনবা মীৎয়েঙ থম্লি হায়খ্রে।

প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি, অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম অমগা-মফম অমগা চথোক-চৎশিন তৌনবগী লম্বী-থোং হেন্না ফগৎলকপা অদুদগী টুরিজম, এগ্রিকলচর অমসুং মসিগা মরীলৈনবা সেক্টরশিংসু কান্নবা ফংগনি।

অৱাং নোংপোক লমদম, চীংগী লমদম অমসুং ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা লম্বী চথোক-চৎশিন ফগৎহনববু অখন্নবা ৱাফম ওইনা থম্লি হায়না ১৭ শুবা লোক সভা শেম্লবা তুংদা লৈবাক্কী চৎনবী কাঙলোন মতুং ইন্না পীবা মহাক্কী ৱারোলদা মহাক্না হায়খি।

লমদম অসিদা ওর্গানিক ফার্মিং পাক-চাওনা শন্দোক্লবগী অকনবা থবকশিংসু লৌখৎলি হায়না মহাক্না হায়খি। গভর্ণমেন্ট অসিনা হোৎনরিবসি এক্সপ্রেসৱেশিংদা নত্তনা ২০২২ ফাওবগী মনূংদা কিলোমিটর ৩৫,০০০ক্কী হায়ৱেশিং শেম্বা অমসুং মীয়ামবু থবক পীবা হেনগৎহনগদবা অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অকনবা যুমফম অমা থোনবনি হায়খি।

প্রসিদেন্টনা মখা তারদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা থবক চত্থরি অমসুং পোলূসন হন্থহন্নবা ইলেক্ট্রিক ভেহিকল (ই ভি) শিজিন্নবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরি।

ভারতমালা প্রোজেক্টকী মখাদা কিলোমিটর ৩৫,০০০গী নেসনেল হায়ৱে, সাগরমালা প্রোজেক্টকী মখাদা সমুদ্র খোঙবালগী লমদমশিং অমসুং থংনবা হিথাংফমশিংগী লমদমশিংদা অফবা থাক্কী লম্বীশিংগী নেটৱার্ক অমা শেম্বগী থবক চত্থরি।

উরে দেসকা আম নাগরিক (উদান) স্কিমগী মখাদা অপীকপা টাউনশিংদা এয়ার কনেক্টিভিটি খোঙলৈ থুনা পাকথোক-চাওথোক্লক্লি। ইলেক্ট্রিকসিটি সপ্লাইগীদমক সোলর ইনর্জি খ্বাইদগী হেন্না শিজিন্নবদা অহেনবা মীৎয়েঙ থম্লি। য়ুমগী অমসুং ইন্দ্রষ্ট্রিগী অরেমখাকশিং লম্বী শেম্বদা শিজিন্নরি।

ঐগী লৈঙাক অসিনা অয়াঙবা অমসুং শাফবা খক্ততা নত্তবা ইনভাইরোন্মেন্ট ফ্রেন্দলিসু ওইবা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা শেমগৎনবা হোৎনরি। অপনবা খুরৌ লৈতনা লম্বী চথোক-চৎশিন য়ান্নবগী মঙলান অদু মঙফাওননবা 'ৱান নেসন, ৱান কার্দ'গী ফেসিলিটি অদুসু হৌদোকখ্রে।

ইলেক্ট্রিক ভেহিকলশিংগীদমক ইলেক্ট্রিক চার্জিং ষ্টেসনশিংগী নেটৱার্কসু য়াম্না খোঙলৈ থুনা পাকশন্না থম্লকক্লি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।

সিটিশিং অমসুং সবর্বশিংদা অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপনা শেনমিৎলোনগী চাওখৎপা পুরক্লবগী লম্বী পীগনি অমসুং থবক ফংনবগী খুদোঙচাবা হেনগৎহনগনি।

সিটিশিং, লোয়ননা খুঙ্গংশিংদা ৱার্ল্ড-ক্লাস ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং পব্লিক এমিনিটিজ পীদুনা ঐগী লৈঙাক অসিনা মোদর্ন ইন্দিয়া অমগীদমক চোকথবা লৈতনা থবক তৌরি হায়না প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা হায়খি।

লৈঙাক অসিনা বাইও-ফুৱেল পুথোকপদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। ২০১৪গী মমাঙদা ইথানোল লিটর ক্রোর ৬৭ ব্লেন্দিং তৌখি অদুবু চহী অসিদদি লৈঙাক অসিনা ইথানোল লিটর ক্রোর ২৭০ রোম ব্লেন্দিং তৌনবগী পান্দম থমলে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# সস্পেন তৌখিবা ডা. কাফীল খান এন্সেফলাইটিসকী 'ফ্রী মেদিকেল কেম্প' পাংথোক্লবা বিহারদা থুংলখ্রে



*গোরখপুরগী হোস্পিটাল অমদা এন্সেফলাইটিসনা নাবা অঙাং কয়া শিখিবগী মতাংদা হৌখিবা চহীদা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবা ডা. কাফীল খাননা হন্দক লায়না অদুনা নাবা অঙাং ১১৮ শিখ্রবা মুজাফরপুরদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাংথোক্লি*

***মুজাফরপুর, জুন ২০ (এজেন্সি)ঃ*** বিহারগী অৱাং থংবা তাউন গোরখপুরদা জপানিজ এন্সেফলাইটিস নাবা অঙাং কয়ামরুম হোস্পিটাল অমদা শিখিবা মতাংদগী হৌখিবা চহীদা থবক্তগী সস্পেন তৌখিবা উত্তর প্রদেশকী পেদিয়াট্রিসিয়ান কাফীল খান হন্দক্তা এক্যুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম (এ ই এস) শন্দোক্লকপদা শিবা অঙাংগী মশীং ১১৮ য়ৌরকখিবদগী লেন্না লায়েঙ পীনবগীদমক টাউন অদুদা থুংলখ্রে।

এল্লাহাবাদ হায় কোর্টনা বেলদা থাদোক্লকখ্রবা তুংদা 'হেল্থ ফোর ওল' কৌবা কেম্পেন অমা চত্থরকখিবা দোক্টর অদুনা অনাবশিংনা লেন্না লায়েঙ পীনবা মুজাফরপুর টাউনগী দামোদরপুরদা কেম্প অমা লিংখৎখ্রে।

মুজাফরপুরগী দামোদরপুরদা অঙাং ৩০০ হেন্না য়েঙখ্রে অমসুং লেন্না হিদাক পীখ্রে। অনাবা অঙাংশিংগী মমা-মপাশিংদা লায়নাশিং অদুগী লাইওংশিং অমসুং মদু মাঙজৌননা থিঙনবগী মরমদা পাউতাক পীখ্রে। করিগুম্বা অঙাং অদুদা এন্সেফলাইটিসকী লাওংশিং উরক্লবদি করি তৌগদগে হায়বনচিংবগী পাউতাক পীখ্রে হায়না ডা. খাননা মাইক্রো-ব্লোগিং সাইট ত্বিটরদা হায়খি।

অঙাংশিং শিবগী মরম অসি লায়না অদুগী মরমদগী শিবা নত্তবদা মিসমেনেজমেন্টকী মরমদগীনা হেন্না য়াম্মী। আই সি য়ু ৪বু করন্না দোক্টর অমনা শেন্নগনি হায়না অতোপ্পা ত্বিট অমদা মহাক্না হায়খি।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা মুজাফরপুরদা এক্যুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম নাবা অঙাং ৩ অমগসু শিখিবদগী লায়না অসি শন্দোক্লকপদা শিখিবা অঙাং মীং ১১৮ শুখ্রে হায়না ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা পীবা মশীংগী মতুং ইন্না জুন ১দগী লায়না অসি নাবদগী লায়ঙেখিবা অনাবা মশীং পূন্না ৫৫২নি -এস কে এম সি ঐস (শ্রীকৃষ্ণ মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল)দা ৩৯৮ অমসুং কেজ্রিৱাল হোস্পিটালদা ১৫৪নি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লায়চৎ অদু শন্দোক্লকপদগী অঙাং ময়াম অমা শিখ্রবা টাউন অদুদা য়েঙশিনবা লাকখিবা অমসুং ফিভম অদু লাক্সিন্নবা পাউতাকশিং পীখিবা বিহার চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা গায়াদা ঙসি অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাংথোক্কনি।

ষ্টেট অসিদা নুংশাগী মৈশা কা হেন্না শাগৎলকপদগী মীওই ৮০ হেন্না শিখ্রবা নৱাদা, ঔরঙ্গাবাদ অমসুং দায়া দিষ্ট্রিক্টশিং নোংথক্তগী য়েংশিল্লবা তুংদা মীফম অদু পাংথোক্কনি হায়রি। মীফম অদুদা হীটৱেব অমসুং ব্রেন ফিভরদগী মীয়াম্না ঙাকথোক্লবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অদু চীফ মিনিষ্টরনা রিভ্যু তৌগনি, লোয়ননা ময়াই থংবা বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা শন্দোক্লকখিবা জপানিজ এন্সেফলাইটিস (জে ই) থিংনবগী লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদু য়েংশিনগনি।

এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না জপানিজ এন্সেফ্লাইটিসকা মান্নদনা এ ই এস (এক্যুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম) অসিদি ভাইরেল ইনফেক্সন অমনা থোকহনবা নৎতে। মসি মচি ওইবা চীঞ্জাক ৱাৎপা অমসুং হায়পোগ্লাইসেমিয়া নৎত্রগা ব্লদ সুগরগী চাং য়াম্না নেম্বগী লায়না অসি মপূং ফানা মুন্দ্রিবা লিটচিশিংদা ফংবা টোক্সিন অমনা থোকহনবনি হায়রি।

# অমুক্তদা মীখল পাংথোকপনা ভোটরশিং চমন্নহনগনি ঃ দেবে গৌড়া



***বেঙ্গলুরু, জুন ২০(এজেন্সি)ঃ*** হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং জে দি (এস) সুপ্রিমো ঐস দি দেবে গৌড়ানা 'লৈবাক অমা, মীখল অমা'- লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিংদা অমুক্তদা মতম চপ মান্ননা মীখলশিং পাংথোকপনা ভোটরশিংদা চমমন্নবা থোকহনগনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঐহাক ইশামক্কী অকীবা লৈ। হৌজিক ঐখোয় অসি থোইনা থাক ৱাংদ্রি খল্লি হায়না মহাক্না মফম অসিদ পাউমীশিংদা হায়খি। ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অদুগী মতাংদা অমত্তা ওইবা য়ানবা অমা পুরক্লবা ন্যু দিল্লিদা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্কী মীফম অমা কৌখি।

মীফম অদুগী মতূংদা 'লৈবাক অমা, মীখল অমা' হায়বদুগী মতাংদা অককক্লবা মতমগী মনূংদা ৱাফমশিং পীখৎলক্লবা প্রাইম মিনিষ্টরনা কমিটি অমা শেম্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মসিগী মতাংদা দেবে গৌড়ানা হায়খি, মসিবু তরান্না ওকপা মী খরশু লৈ, অদুগা মসিবু পামদবা খরশু লৈ। ঐখোয় পূকচেল শেংনশি। লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা পোৎশক অদুদি, মফম অসিদা পোল্লিং বুথ অমা অমসুং অতোপ্পা নাকন্দা এসেমব্লি মীখলশিংগীদমক অতোপ্পা পোল্লিং বুথ অমা লৈ। মসিদা চমমন্নবা হায়বদু অদুমক থোক্কনি।

মদুদা ভোটরশিংবু লম্বী তাক্লবা কনাগুম্বা মীওই অমা লৈবা মথৌ তাগনি। মদু ইলেক্সন কমিসন খক্তনা তৌবা ঙম্লোই। অমরোমদা পোলিটিকেল এজেন্দশিংদসু মদুগী অয়াবা পীরোইদবনা মখোয়সু তৌবা য়ারোই হায়না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

লোক সভা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি মীখলশিংগী মতম চপ মান্ননা পাংথোকপা তারবা অমসুং বেলোত পেপরশিং শিজিন্নরবদি ওফিসিয়েলশিংনা ভোটরশিংদা তোঙান তোঙানবা পেপর স্লিপশিং পী।

অদুম ওইনমক হৌজিক মীখলশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেচিনশিং (ই ভি এম) শিজিন্নরবনিনা মীখল মতম চপ মান্ননা পাংথোকপদা খুদোঙ চাদবা ৱাথোক অমা ওইগনি হায়না করনাতকাদা কোংগ্রেসকা লোয়ননা লৈঙাক পায়রিবা এলায়েন্স পার্টি অদুগী লূচিংবা দেবে গৌড়ানা হায়খি।

# কোলকটা মনাক্তা খূৎ থোক্লবদা ২ শিখ্রে, মীওই ৩ শোকখ্রে




***কোলকটা, জুন ২০ (এজেন্সি)ঃ*** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনূং কোলকতা সিটিকী হেক অৱাংদা ভাতপারাদা ঙসি অয়ুক শকখঙদবা মীওইশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং মীওই ৩ শোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী পাউতাক্তগী ষ্টেট পুলিস চীফ, চীফ সেক্রেটরি অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং খুদক্কী অথুবা মীফম অমা ফমখ্রে।

শিখিবা মীওই ২ অদুগী মনূংদগী অমদি পানিপুরি য়োনবা রামবাবু সো কৌবা মশাগী চহী ১৭ লোম শুরবা মীওই অমনি। অতোপ্পা মীওই অদু হোস্পিটালদা মাগী অশোকপশিং অদুনা মরম ওইদুনা শিখি।

ক্রুদ বোমশিং লংনখি, নোংমৈশিং কাপ্পখি, মদুদা পুলিসনা টিয়ারগ্যাস সেলশিং কাপখি। পাউ খরনদি পুলিসনা নোংমৈসু কাপখি হায়রি।

থৌদোকশিং অসি নোর্থ ২৪ পরগনাজ দিষ্ট্রিক্তিতা ভাতপরা পুলিস ষ্টেসনগী অনৌবা বিল্ডিং অমা বেঙ্গল দি জি পিনা শঙ্গাগদবগী সুপ্পগী পূং খরগী মমাঙদা থোকখিবনি।

ভাতপারাসু মনূং চল্লিবা বারাকপোর লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী বি জে পি লোমেকর আর্জুন সিংহনা হীংশাগী থৌদোক অদু ত্রিনামুল গুন্দাশিং অমসুং পুলিসনা থোকহনবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা পাকশন্না খূৎ থোক্লবা অমসুং হীংশা থোকখিবা নেসনেল ইলেক্সন মতূংদগী ভাতপারাদা মথঙ-মথঙ খূৎ থোক্লরকখিবশিংগী মনূংদা মসি খ্বাইদগী নৌবা খূৎ থোক্লবা থৌদোক্নি। থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা দি জি পিনা পুলিস ষ্টেসনগী অনৌবা বিল্ডিং শঙ্গানবা লাকপদা লম্বীদগী হনখ্রে অমসুং শঙ্গাবদু য়েথোকখ্রে।

# 'রিভোলুসনরি গার্দনা য়ু এস দ্রোন কাপথবনি'



***টেহরান, জুন ২০(এজেন্সি)ঃ*** ইরানগা তৌনবা ইন্টনেসনেল ন্যুক্লিয়ার দিল কায়খিবগী মতাংদা টেহরান অমসুং ৱাসিংটনগা অনীগী মরক্তা উংখৎনরকপা অদু হন্দক অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎলকখিবগী চৈরক্তা য়ু এস দ্রোন অমা মখোয়না কাপথখ্রে হায়না ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ইরানগী রিভোলূসনরি গার্দনা ফোঙদোকখ্রে।

গল্ফ ওফ ওমন মনাক্তা ওইল টেঙ্কর অনীদা এটেক তৌখিবা অদুদা পাউখুম পীখিবা অতোপ্পা দ্রোন অমদা হৌখিবা চয়োলদা ইরাননা মিসাইল অমা কাপ্লকখি হায়না য়ু এস মিলিটরিনা মরান শীরকখিবা অদুগী মতূংদা য়ু এসকী আর কিয়ু-৪ গ্লোবেল হোক অদু কাপথখিবনি।

জহাজশিং অদুদা এটেক তৌখিবা অদু ইরাননি হায়না য়ু এসনা মরান শিখি অদুবু মদু টেহরাননা য়াখিদে।

ইরানগা এলায়েন্স তৌনবা হৌথি রিবেলশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা বোম হাপ্পা দ্রোনশিংনা ওইল টেঙ্করশিংদা পান্দম থমদুনা কনানা চখবনো খঙদবা অঙকপা এটেকশিং তৌখ্রে। থোক্লিবা থৌদোক পূন্নমক অসিনা করিগুম্বা অরানবা অঙ্ক অমনা নৎত্রগা মসিদগী হেন্না উংখৎনরকপনা টেহরানগী ইস্লামিক রিভোলূসনগী চহী ৪০ রোমগী তুংদা য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা অফোঙবা মায়োক্লনা থেংনবা লান অমা থোকহল্লকপা য়াই।

সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহা আলি খামেনিগী মখাদা লৈবা ইরানগী পেরামিলিটরি রিভোলূসনরি গার্দনা দ্রোন অদুনা খা থংবা ইরানগী হোরমোজগান প্রোভিন্সকী কৌহমোবারক দিষ্ট্রিক্ট মনাক্তা ইরানগী নোংথক্তা পাইশিল্লকপদগী ঙসি অয়ুক কাপথবনি হায়না ফোঙদোকখি।

কৌহমোবারক হায়রিবা মফম অদু টেহরানগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ১২০০রোম লাপ্পি অমসুং ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ মনাক্তনি।

রিভোলূসনরি গার্দকী ৱা পল্লদুনা ইরানগী ষ্টেট-রন আই আর এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা দ্রোন অদু আর কিয়ু-৪ গ্লোবেল হোক অমনি হায়না মশক তাকখি।

মরকসিদা য়ু এসকী এয়ারক্রাফ অমত্তা ইরানগী নোংথক লমদা পাইশিনখিবা লৈতে হায়না ৱাসিংটনদগী য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোক্লকখ্রে।

য়ু এস মিলিটরি সেন্ট্রেল কম্মান্দগী ৱাঙাংলোই অমা ওইরিবা নেভি কেপ্টেন বিল অরবাননা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অহিংনোংয়াইগী হেক মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসকী এয়ারক্রাফ অমত্তা ঙসি ইরানগী নোংথক লমদা পাইশিনখিবা লৈতে হায়খি।

অমেরিকাগী দ্রোন অমা কাপথখ্রবা হায়না হংবদা মহাক্না মখা তানা মত পীয়ু য়াখিদে।

# সাউদি অরাবিয়াদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৮.১গী খূৎলাই য়োনবা থিংনবা য়ু এস সিনেটনা ভোট লৌনগদৌরি



***ৱাসিংটন, জুন ২০(এজেন্সি)ঃ*** সাউদি অরাবিয়া অমসুং অতৈ আরব এলাইশিংদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৮.১গী খূৎসু-খূৎলাই য়োনবা অদু থিংগদ্রা হায়বগী মতাংদা ঙসি য়ু এস সিনেটনা ভোট লৌনগদৌরি।

সিনেট ফোরেন রিলেসন্স কমিটিদা য়াওবা মকোক থোংবা দেমোক্রেট রোবার্ট মেনেদেজনা হায়খি।

রিপব্লিকান লূচিংবা সিনেটকী লিদর মিটচ মেককোন্নেলনা খূৎলাই ২২ য়োনবা অদুগী মতাংদা ভোট তৌশি হায়বা য়াখ্রে হায়খি।

খূৎলাইশিং অদু য়োনবনা য়েমেনদা লানগী মাঙ-তাকপদু অমুক্কা হেনগৎহনগনি হায়না ক্রিটিক্সশিংনা ফোঙদোক্লিবনি।

সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা এয়ারক্রাফ সপোর্ট মেন্টেনেন্স, ম্যুনিসনস অমসুং অতৈ খূৎলাইশিং য়োনবা লোয়ননা হান্নমা লৈরিবা খূৎলাইশিং জোরদানদা ট্রান্সফর তৌনবা অয়াবা পীবদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসননা কোংগ্রেসপু কাহ্লোকপগী কা হেনবা খোঙথাং থাংখি হায়না সিনেটকী ফ্লোরদা মেনেন্দেজনা হায়খি।

খূৎশু-খূৎলাই য়োনবা য়াদনবগী হক লৈবা কোংগ্রেসপু কাহ্লোক্তুনা চৎনবগী আইনগী ওইবা যুমফম অমত্তা লৈতে হায়না রিপব্লিকান খরসু য়াওবা সিনেটরশিংনা হায়খি। অদুবু প্রসিদেন্ট ট্রুম্পনা তৌরকপা য়াবা ভেটো অমা নমহৎতুনা চৎনবা ৩ থোকপগী শরুক ২গী ভোট অমা ফংনবা হোৎনবা হায়বসি কোংগ্রেসকীদমক মতম শাংনা হোৎনবা চংগনি।

মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী শাথিবা মীওইবগী অৱাবা খুদোঙথিবা থৌদোক্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়রিবা চাবা শুকফং ফংদবগী ঙকয়া য়ৌশিল্লক্লবা মীওই মিল্লিয়ন কয়া লৈরিবা য়েমেনদা এটেক হেন্না তৌবদা সাউদি অরাবিয়াবু খূৎশু-খূৎলাইশিং অদুনা মতেঙ ওইহনগনি হায়না ক্রিটিকশিংনা হায়রি।

## GAS TODAY

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**J Rongmei SK Indane**
Booking : 05/05/19
Valid : 02/05/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Misao Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 306, 19 kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Canchi Service Indane**
Booking : 10/06/19
Valid : 29/05/19
Stk : 306, 19 & 5kg Available
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 505, 19 &5kg Available
Time : From 08.30 a.m.
First Come First Serve

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 250
Time : 07.30 to 19.30 a.m.
First Come First Serve

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 11/06/19
Valid : 23/05/19
Sl. No. : 2500
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 14/06/19
Valid : 11/06/19
Sl. No. : 261672
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Thoubal**
Booking : 03/06/19
Valid : 23/05/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 25/05/19
Valid : 21/05/19
Sl. No. : 85
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

# কাটারনা গাজা ইমূংশিংদা ফন্দ য়েহ্লোকখ্রে



***গাজাসিটি, জুন ২০(এজেন্সি)ঃ*** চান-থক্লবা পোৎলমশিং ইজরেলনা থিঙজিন্দুনা থম্বা পেলেষ্টিনিয়ান এনক্লেব অসিদা ইং-তপ্পগী ফিভম অমুক হঞ্জিহন্নবগী পান্দমদা ইজরেলগা য়ান্নবা অমগী শরুক ওইনা কাটারনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা পেলেষ্টিনিয়াগী গাজা টেরিটোরিদা ইমূং লিশিং কয়াদা দোল্লর ১০০গী গার্ন্টশিং য়েহ্লোকখ্রে হায়না এ এফ পি করেস্পোন্দেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নবেম্বর থাদা হমাজ অমসুং ইজরেলগী মরক্তা য়ানখিবা ইনফোর্মেল ট্রুশ অমগী শরুক ওইনা মথৌ তারবা ইমূং-মনূংশিংদা চাং নাইনা ফন্দ পীনবা গাজাগী ইস্লামিষ্ট লৈঙাকপশিং ওইরিবা হমাজকী মতম শাংনগী এলাই অমা ওইরিবা গ্যাস মরাং কায়বা গল্ফ ষ্টেট অসিনা য়াখিবনি।

কাটারগী এনভোয় মুহমেদ অল-এমাদিনা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা খ্বাইদগী অনৌবা ফন্দ য়েহ্লোকপা অসিদা ইমূং ৬০,০০০না পোষ্ট ওফিসশিংদগী গ্রান্টশিং অদু ফংগনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা য়েনথোকখিবদু ইমূং লাক্ষ ১দনি। অদুবু হন্দক্কী অসিদা ইমূং মশীং য়ামদনা য়েল্লিবা অসিদগী কনবা ঙল্লিবা দোল্লর মিল্লয়ন ৪গী শেনফম অসিনা অতোপ্পা প্রোজেক্টশিংদা থাদগনি হায়না মুহমেদ এমাদিনা হায়খি।

মীওই চা কয়ানা মখোয়গী দোল্লর ১০০গী গ্রান্টশিং অদু লৌনবা সেন্ট্রেল গাজা সিটিগী পোষ্ট-ওফিস অমগী মমাঙদা ঙাইদুনা লৈনখি।

এমাদিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা গাজাদা শেন ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫ পুরকখি। লৈহৌরিবা শেনফম অদুনা কেস-ফোর-ৱার্ক স্কিমশিং য়াওনা এইদ প্রোজেক্টশিংদা থাদগনি।

ইজরেল অমসুং হমাজনা ২০০৮তগী হৌনা লান ৩ শোক্লখ্রে। নবেম্বরদা য়ান্নবা অমা পুরকখ্রবসু হমাজ অমসুং মসিগী এলাইশিংনা ইজরেলদা রোকেট চা কয়া কাপশিনখিবা অমসুং মদুগী লমন খুমদুনা ইজরেলি মিলিটরিনসু গাজাগী টার্গেট কয়াদা এটেক তৌদুনা হৌখিবা মে থাদা নাকপাক অনী অসি অমুক্ক হন্না লান থোক্কদবা খজিক্তা ঙাইখি।

# সাউথ কোরিয়ানা নোর্থতা চেঙ টোন ৫০,০০০ থারগনি

***সিওল, জুন ২০(এজেন্সি)ঃ*** সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ কোরিয়াদা চীঞ্জাক্কী ৱাৎলিবা অদু তেঙবাংনবা অমসুং নাকন অনীগী মরী ফগৎহন্নবা পান্দমদা হৌখিবা থাদা লাওথোকখিবা মখোয়গী অনীশুবা এইদ পেক্কেজদা, ৱর্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামগী খূৎথাংদা নোর্থ কোরিয়াদা চেং টোন ৫০,০০০ থানবা থৌরাং তৌরি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী মীয়ামদা থেঙথবা তৌদনা চীঞ্জাক অদু শোয়দনা য়ৌহন্নবা য়ু এন এজেন্সি অদুগা পূন্না মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা থবক তৌগনি হায়না নোর্থ কোরিয়াদা সিওলগী পোইন্টমেন ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর কিম য়েওন-চুলনা হায়খি। নোর্থ কোরিয়াগী অঙাংশিং অমসুং মীরোনবী নুপীশিংগীদমক হিদাক অমসুং মচী ওইবা চীঞ্জাক্কী মতেঙ পীনবা প্রোগ্রামগীদমক ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রাম অমসুং য়ু এন চিলদ্রেন্স ফন্দদা সাউথ কোরিয়ানা হৌখিবা চয়োলদসু দোল্লর মিল্লিয়ন ৮ থাখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-158**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | | 2 | 6 | | | 1 |
| | 6 | 9 | | | 3 | 2 | | |
| | 4 | | 1 | | 8 | | | 9 |
| | | 1 | 4 | | | 7 | | 6 |
| 6 | 2 | | | 1 | | | 3 | |
| 9 | 8 | | | 3 | | | | 2 |
| | 1 | | | 6 | | | 2 | |
| 4 | | 2 | 8 | | | 6 | 1 | |
| | 3 | | | 9 | | | 8 | |

**সনা-সুদোকু - ১৫৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 2 | 6 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 | 2 | 5 | 9 |
| 9 | 7 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 | 3 |
| 1 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 5 | 4 | 7 |
| 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 8 | 9 | 3 | 2 |
| 4 | 9 | 8 | 1 | 5 | 3 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 2 | 7 | 4 | 8 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 4 |